লায়রবগী পনখৈনা চৈখৈ চিংদুনা থমখ্রবসু হোংনববু লেপত্রবদি মায় পাকপা ঙম্মী হায়বা বেবীরোজিসনানা লমদমসিগী মীয়ামদা উৎখ্রে

শান্নবুংগী পাউদম-২

জয়চান্দ লুৱাং

মণিপুর পীক্লবসু পীক্লা শান্ন-খোংনবগী লম্দদি ইন্দিয়াগী স্পোর্টসকী পাৱার হাউসনি হায়নরি। মণিপুরদগী হৌখিবা শান্নরোয় কয়ানা লমদম অসিগী মায় পুরকপা খক্তা নত্তনা লৈবাক অসিগী ওইনসু মীংচৎ কয়া তানবা ঙমখ্রে। মখা তানসু লমদম অসিদগী হৌরক্লিবা শান্নরোয় কয়ানা মণিপুর অমদি ইন্দিয়াগী মীংচৎ পুরকখিগনি হায়না মীপুম খূদিংনা থাজনরি।

লমদম অসিদা শান্ন-খোংনবদা থৱায় য়াওজবা ইনখৎলক্লিবা নহা কয়াগী ইমুং-মনুং অয়াম্বনা লৈত-লায়রা ওইনা তৌই। মসিনা মরম ওইরগা মনীং তম্না শান্নবা ফংজদ্রবা শান্নরোয় কয়া লমদম অসিদা লৈতবা নত্তে। মণিপুরদগী হৌখিবা অফ-অফবা শান্নরোয় কয়া মখা তানা ইমুং মনুংগী ফীভমনা মরম ওইরগা শান্নবা ঙমখিদবগী থৌদোক কয়া ঙসি মীয়াম্না তান্নখ্রবা ঙাক্তনি।

ফনা শেল পায়দবা লায়রবা ইমুং ওইজরবসু হোংনববু লেপত্রবদি নোংম নৎত্রগা নোংমদি শোয়দনা মায় পাক্কনি হায়বা ৱাখল্লোন্দা ঙসিদি চহী নৌরিবী বেবীরোজিসনানা মণিপুরগী মীয়ামদা ময়েক শেংনা তাক্লরে। হন্দক্তা পোলেন্দদা পাঙথোকখিবা য়ুথ ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ্তা চহী নৌরিবী শান্নরোয় অসিনা সনাগী তকমান ফংদুনা লৈবাক অসিগী মীংচৎ পুরকপা ঙমখি।

নাওরেম বেবীরোজিসনা চনু থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা সন্ত্রাম মমাং লৈকায়দগী নাওরেম রোবীন্দ্রো অমদি নাওরেম সনাজাওবীগী মচানুপী অহলনি। ঙল্লিঙৈ মতমদগী বেবীরোজিসনা শান্ন-খোংনবগী লম্দা থৱায় য়াওনা হৌরকখি। বোক্সিং মশান্নদা চঙলক্ত্রিঙৈ মতম মহাক্না ৱুশু, তাইকুন্দো, কিক বোক্সিং, জিমনাষ্টিক অমদি থাঙ-তানচিংবা মশান্না কয়াসু শান্নরকখি।

বেবীরোজিসনাগী অপোকপা নাওরেম রোবীন্দ্রোসু শান্ন-খোংনবদা থৱায় য়াওনা হৌরকখিবা মীওই অমনি। শান্নবা পান্বা ইমুংদগী হৌরক্লবসু লাইরবা ইমুং ওইরুবনা বেবীরোজিসনা অৱাবা কয়া মায়োক্লুরকখি। অদুমওইনমক মহাক্কী অপোকপা মপানা মচানুপীনা পামজরকখিবা শান্ন-খোংনবগী লম্ অদুদা মপুং ফানা শৌগৎখিবা অমদি বেবীরোজিসনা মশানসু নীংহন্নবা লৈতনা হোংনখিবা অদুনা মরম ওইরগা ঙসিদি মালেমগী মীয়াম্না শকখঙলবী বোক্সর অমা ওইরক্লি।

লাইরবা ইমুং ওইবনা বেবীরোজিসনা অপোকপা মপাগা লোয়ননা লাইহরাওবগী কুম্মৈদা পার্ফোম তৌদুনা মদুদগী ফংলকপা শেল অদুনা কোন্নবা দাইট লৈদুনা শান্নরকখিবনি। হৌখিবা কুমজা ২০১২ দা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক্তা লিজেন্দরি বোক্সর মেরি কোমনা ব্রোঞ্জ লৌখিবগী মীৎকুপ অদু বেবীরোজিসনাগী অপোকপনা মঙোন্দা ভিদিও ক্লিপ য়েংহনখি। মদুদগী মহাক বোক্সিং মশান্না অসিবু য়াম্না খোয়দাখিবগা লোয়ননা ওলিম্পিক্তা মেদল অমদি শোয়দনা লৌগে হায়বগী ৱাখল্লোন্দা শান্নবা হৌরকখিবনি।

বেবীরোজিসনাগা পাউ চে অসিগা অখন্ননা উন্নখিবা অদুদা চহী নৌরিবী শান্নরোয় অসিনা হায়, ঙল্লিঙৈ মতমদা অতোপ্পা মশান্না কয়া শান্নরল্লবসু বোক্সিং মশান্না অসিনা মঙোন্দা হেন্না পামজবা ওইখি অমদি খুমন লম্পাক্তা লৈবা সাইদা চঙদুনা চহী অমা বোক্সিং শান্নখি। মদুগী মতুং য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী আর সী প্রোগ্রামদা য়াওবা হৌরকখি। মদুদগী মহাক্কী বোক্সিং করিয়রদা অচৌবা অওনবা অমা লাকখিবগা লোয়ননা নেসনল চেম্পিয়নশিপশিংদা শরুক যাবা হৌরকখি।

মহাক্না আর সী সী য়াওবা হৌরকপা মতম অদু মশাগী চহী ১৪ রোম শুখি। মতমদুদা খুমন লম্পাক্তা প্রেক্টিস চৎনবগীদমক মহাক অয়ুকপুং ৪ দগী শেম শাবা হৌরগা পুং ৬.৩০ নংনবা চৎখি। মহাক্না প্রেক্টিস চৎপা মতমদা মহাক্কী অপোকপা লোয়নখি। করিগুম্বা মতমদা গাড়ী ফংদবদগী খোঙনা কিলোমিটর কয়া চৎপা য়াওখি।

করিগুম্বা মতমদা তুম্বগী মতম ৱাৎপদগী বস মনুংদা উইরকপা য়াওখি। মতমদুদা মহাক্কী অপোকপনা শান্নবা চৎলগা উইদুনা লৈরে হায়না চৈরকপসু য়াওখি। অদুবু খুমন লম্পাক হেক য়ৌরকপদা মঙোন্দা লৈরম্বা অৱাবা অমদি তুমনিংবা হেক্তমক মাঙখি হায়না নোকফেৎ তৌনা ফোঙদোরকখি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী অপোকপগী মচে শিংজমৈদা ওংবী ইনাওবীনসু মহাক্না শান্নরকপদা মতেং কয়া পাংলকখি। আর সী সী য়াসতা শান্নরিঙৈ জুনিয়র ওইরিঙৈ মতম দেবেন্দ্রো অমদি ওজা সুশিলানা ৱাখল লৌশিং ওইনবা বোক্সিং টেক্নিক কয়া তাকপীরকখি।

অপোকপনা অনাবা লৈখিবনা ঐনা নেসনলগী ত্রায়ল ফংদুনা ইন্দিয়াগী কেম্পকী ওইনা থা অমদা অনীরক চহী অমদা ১০ রক চৎপদা তাকপী তম্বীরকপা ইন্টরনেসনল য়ৌনবা হোংনরকপদা চাওনা থৌদাং লৌখিবা মরূ ওইনা ওজা ব্রোজেন, ওজা জিতেন, ওজা নের্জিৎ অমসুং ওজা গোপালনা কুমজা ২০১৮ ফাওবা কন্না শেন্নদুনা লাকখি। মদুগী মতুং কুমজা ২০১৯ দগী ২০২১ ফাওবনা মেরি কোম বোক্সিং একাদমিদা ওজা বিজেতা, ওজা কিষন, ওজা রোনাল, ওজা জোলিসননা ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকী থাক য়ৌহল্লকখি।

হৌজিক ফাওবদা একাদমী অসিদা ট্রেনিং চথুরি। মহাক্কী অমত্তা ঙাইরবা পান্দমদি হৌজিক হোংনরিবা অসিদগী অমুক্কা হেন্না কন্না হোংনদুনা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা ওলিম্পিক্তা গোল্ড লৌনবা হোংনবা অসিনি হায়না ফোঙদোরকখি।

অমরোমদা মহাক্কী পুন্সিদা অহানবা ওইনা জুনিয়র ইন্দিয়ন টিমদা শরুক যাদুনা কুমজা ২০১৭ তা য়ুক্রেনদা চৎকদবা ইন্টরনেসনল টুর্নামেন্ট অদুদা মহাক মশাগী চহী ১৮ শুখিদবনা মরম ওইরগা ভিসা লৌবদা অপোকপগী সিগনেচর মথৌ তাই হায়না চৎকদবা নুমিৎ নীনি ৱাংলিঙৈদা পাউ পীরকখি। অদুবু লাইরবা ইমুং ওইরুবনা মরম ওইরগা মহাক্কী অপোকপা দেল্লী তান্না খূদক্তা লাক্লুবা শেনফম লৈখিদবদগী মহাক মপুন্সিগী অহানবা ইন্টরনেসনল বাউট শান্নবগী খুদোংচাবা অদু ফংবা ঙমখিদে।

নুমিৎ অদুদা মঙোন্দা পেন্দবা অমদি নীংঙমদবা কয়া লৈখ্রবসু মপূক্লিং হন্থবদি তৌখিদে। হেন্না হোংনহন্নিংবগী অপান্বা অমা মঙোন্দা ফাওরকখি হায়না ফোঙদোরকখি।

অমরোমদা তরুকরক হন্না ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইখ্রবা মেরি কোমনা মঙোন্দা শান্নবগী মওং অমসুং পূক্লিং ৱাখল ফনা লৈবা ঙম্নবগী মতৌ কয়া তাকপী তম্বীদুনা অনৌবা থৌনা হাপ্পীখি।

পনবা য়াবদি নাওরেম বেবীরোজিসনা চনু থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা খোঙজোম সন্ত্রাম মমাং লৈকায়দগী নাওরেম রোবীন্দ্রো অমদি নাওরেম সনাজাওবীগী মচা অহুমগী মনুংদা অহলনি। মহাক্কী মখাদা মনাওনুপী অমা অমদি মৌপ্বা নুপা অমা লৈরি। মহাক হৌজিক হৌজিক সাউথ ইষ্ট মণিপুর কোলেজ, কোমলাথাবী কপামদা বি এ অহানবা সেমিষ্টর তন্লি।

বেবীরোজিসনানা হন্দক্তা পোলেন্দদা পাঙথোকখিবা য়ুথ মেন্স এন্দ ৱিমেন্স ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা রসিয়াগী বোক্সর ভেরেলিয়া লিনকোভাবু কিলোগ্রাম ৫১গী কেটেগোরিদা মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল ফংলকখি।

টোকিও ওলিম্পিক গেমস স্যুসাইদ মিসননি : মিকিটানি

টোকিও, মে ১৫ (এজেন্সী):

চৎলিবা চহী অসিগী জুলাই ২৩দগী পাঙথোক্কনি হায়না তৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমস অসি হৌজিক লৈরিবা মালেমগী ওইবা অমদি জপানদা থেংনরিবা কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎ অসিগা মরী লৈননা পাঙথোকপা তারবদি স্যুসাইদ মিসন (ইশানা ইশাবু হাৎতোকচবা) অমগী খোঙজং ওইরগনি হায়না জপানগী ঈ-কম্মর্সতা মালেমগী ওইনা মমিং লৈরবা রাকুটেনগী চীফ এগজিক্যুটিভ ওফিসর ওইরিবা হিরোসি মিকিটানিনা ফোঙদোকখ্রে।

জপানগী ঈ-কম্মর্সতা খ্বাইদগী অচৌবা থৌদাং লৌরিবা কম্পেনি রাকুটেনগী চীফ এগজিক্যুটিভ ওফিসর ওইরিবা হিরোসি মিকিটানিনা ৱাফমশিং অসি য়ু এস এগী পাউগী চেন্নেল সী এন এনগী ইন্টরভিয়ু অমদা ফোঙদোকখিবনি। মিকিটানিনা মখা তানা ইন্টরভিয়ু অদুদা ফোঙদোকখিবদা, হৌজিক লৈরিবা জপানগী কোভিদ-১৯গী লাঙ্চেং অমদি অতোপ্পা লৈবাকশিংনা থেংনরিবা লাইচৎ অসিগী অৱাবা অসি য়েংলুরগা চহী অসিগী জুলাই ২৩দগী পাঙথোক্কনি হায়না কন্না হোংনরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমস অসিগী মায়োক্তা মহাক্কী ৱাখল্লোন লৈরি। ওলিম্পিক গেমস অসি পাঙথোকপা মতমদা তোঙান-তোঙানবা মালেমগী শান্নরোয় কয়া লাক্কুনা জপানদা শান্নবগী হীরম খূদিংমক্তা লম্বা তৌনগদৌরিবা অদুদা অহেনবা কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস কয়া অমা লাকপা য়াই। মসিদসু নৎতনা জপানদা হৌজিক লৈরিবা কোভিদ-১৯গী চৈথেং অসি লাকশিনবা ঙমদ্রিঙৈ মনুং অসিদা মশীং য়াম্লবা মীরমদগী লাক্কদৌরিবা শান্নরোয় অমদি ওফিসলশিং অদু শেন্নবদা অৱাবা অমা ওইগনি। লোয়ননা গেমস মনুংদা অনৌবা কেস ফংবা ঙমদ্রবসু শান্নরোয়শিং অদুনা মশা-মশাগী ময়ূমদা হনখিবা মতমদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা ভেরিএন্ট পোজিটিভ ওইদুনা হনখিবা য়াবগী লম্ন্বেল লৈতবা নত্তে হায়খি।

নীংশিংবা য়াবদি, ইরাই নুমীৎতা টোকিওগী গভর্ণরদা জপানগী তোঙান-তোঙানবা মীওইশিং অমদি লূপশিংগী ওইবা খূৎয়েক ৩,৫০,০০০ পীশিন্দুনা ওলিম্পিক গেমস অসি পাঙথোকপদা অৱাবা অমা ওইগনি, গেমস অসি তোকহল্লসি হায়না কমপ্লেন্ট পীশিনখ্রবনি। মরক অসিদা জপানগী পি এমনদি গেমস অসি পাঙথোক্কনি হায়রি।

ক্রোএসিয়াগী পেট্রা মার্টিক থোইদুনা চেক রিপব্লিককী প্লিসকোভা ফাইনেল চঙখ্রে, নুপাগী দা জোকোবিচ সেমীফাইনেল য়ৌখ্রে

রোম, মে ১৫ (এজেন্সী):

ইটালিগী কোনুং রোমদা পাঙথোকপা ক্লে কোর্টকী য়াম্না মরুওইবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ইটালিয়ন ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা টুর্নামেন্ট অসিগী ৯শুবা সিদেদ শান্নরোয় চেক রিপব্লিককী কেরোলিনা প্লিসকোভা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখে। নুপাগী কাঙলুপ্তা নম্বর ৱান শান্নরোয় সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোবিচসু সেমীফাইনেল চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা নুপীগী অহানবা সেমীফাইনেলদা চেক রিপব্লিককী কেরোলিনা প্লিসকোভানা ক্রোএসিয়াগী পেট্রা মার্টিককা লম্বা তৌনরকপদা অহৌবা সেট অদু প্লিসকোভানা য়াম্না হেন্দুনা মার্টিককী সর্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌরগা ৬-১দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা সেটতা ক্রোএসিয়াগী পেট্রা মার্টিককী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা মশান্না উৎলকখিবা অদুনা প্লিসকোভাগী শোট কয়া অমা খূদুম চনবা ঙমদুনা সর্ভিস গেম অমগসু ব্রেক তৌবগা লোয়ননা সেট অদু মহাক্না ৬-৩দা থোইদুনা দিসাইদিং সেটকীদমক শেম শানখি। দিসাইদিং সেট অদুদা এক্সপরিয়েন্স হেল্লবী চেক রিপব্লিককী কেরোলিনা প্লিসকোভানা ক্রোএসিয়াগী পেট্রা মার্টিককী সর্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬-২দা থোইদুনা সেমীফাইনেল মেটচ অদু সেট ২-১দা মায় পাক্লগা সিঙ্গলসকী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। মহাক্না ফাইনেলদা পোলেন্দগী আইগা সিৱাটিক অমদি য়ু এস এগী কোকো গোফ অনীগী সেমীফাইনেল মায় পাকপা শান্নরোয় অদুগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী কাঙলুপ্তা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান শান্নরোয় সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোবিচনা ৫শুবা সিদেদ শান্নরোয় গ্রিসকী ষ্টিফানোস সিসিপাসকা য়াম্না অকনবা লম্বা অমা থেংনরবা মতুং সেট ২-১দা মায় পাক্লগা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদু গ্রিসকী শান্নরোয় ষ্টিফানোসনা জোকোবিচকী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬-৪দা থোইখি। মদুগী মতুং অনীশুবা সেটতা জোকোবিচ অমসুং সিসিপাসকী মরক্তা লেং মান্নদুনা লাকখিবনা ১০শুবা গেম লোইশিল্লকপা ফাওবদা গেম ৫-৫ থোইনরগা লৈরকখ্রবা মতুং জোকোবিচনা থংনবা গেম অনী থোইদুনা ৭-৫তা অনীশুবা সেট অদু মায় পাকখি। অহুমশুবা দিসাইদিং সেট অদুদা মখা তানা লম্বা মান্নখ্রবসু জোকোবিচনা ষ্টিফানোসপু ৭-৫দা থোইদুনা সেমীফাইনেলদা রসিয়াগী এন্দ্রি রুব্লেভপু থোইরম্বা ইটালিগী সোনিগোগা লম্বা তৌনরগনি।

ৱর্ল্ড জুনিয়র চেম্পিয়নশিপ য়াওননবা ইন্দিয়াগী লিফটরশিং মে ১৮দা খোঙশাল্লগনি

কোলকাটা, মে ১৫ (এজেন্সী):

থা অসিগী ২১দগী ৩১ ফাওবা উজবেকিষ্টানগী কোনুং টাস্কেন্টতা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড জুনিয়র ৱেথলিফটিং চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়ানবগীদমক ইন্দিয়াগী ৱেথলিফটরশিং মে ১৮দা ইন্দিয়া থাদোল্লগনি হায়রি।

ইন্দিয়াগী ৱেথলিফটিংগী জুনিয়র কেটেগোরিদা মমিং লৈরবা মিজোরাম মচা জেরিমি লালরিননুঙ্গানা মালেমনা হৌজিক মায়োক্লরিবা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ অসিগী অথিংবা কয়া লাকপা অসিনা ইন্দিয়াদগী লাকপা ফ্লাইট অমদি অতোপ্পা ট্রান্সপোর্টেসনগী ওইবা অথিংবা কয়া লাকখিবা অদুগী মরক্তা টাস্কেন্টকী ৱর্ল্ড জুনিয়র ৱেথলিফটিং চেম্পিয়নশিপ অদুদা শরুক যাবা ঙল্লরোইদ্রা হায়না চিংনরম্বা অদু কোকখ্রে।

ইন্দিয়ন ৱেথলিটফিং ফেদ্রেসনগী মায়কৈদগী ঙসি খ্বাইদগী নৌনা ফংখিবা খূদোংচাবা অমদা নুপাগী মায়কৈদা জেরিমি (কিলোগ্রাম ৬৭), অসিন্তা স্যুলি (কিলোগ্রাম ৭৩) অমসুং নুপীগীদা স্নেহা সোরেন (কিলোগ্রাম ৫৫)গী ভিজা অমদি ফ্লাইট টিক্কেটশিং অদু শিনবা ঙল্লকখিবদগী ৱেথলিফটর অহুম অদুনা চৎলিবা থা অসিগী ১৮গী অয়ুক অঙনবদা কোলকাটাদগী টাস্কেন্ট তান্না ফ্লাইট তোংবা য়াবগী অয়াবা অদু ফংখ্রে হায়না ৱেথলিফটিং ফেদ্রেসন ওফ ইন্দিয়াগী সেক্রেটরি সাহদেব য়াদবনা ফোঙদোরকখি। ওলিম্পিক্সকী শেম শারিবা জেরিমিনা খূদোংচাবা অসি লাকপদা অঙম্বা পাঙ্গল পুথোক্তুনা হোংনগনি হায়খি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

কোভিদনা য়াম্না তমথীনা শোকহল্লবা ফাওবদা লুহোংনরিবসি কদায় ফাওবা চুমগদৌরিবনো

কোভিদ-১৯ লাইচৎনা ইরমদম অসিদা য়ৌরক্ত্রিঙৈ মতমদা খঙন-চানবা মরূপ-মপাং অমহেক উনবদা নুংঙাইরিব্রা, অনা-অয়েক য়াওদেকো হায়না হংনরম্বা কয়া ঙসিদি হংনখিদ্রে, ঙাংনখিদ্রে। মসিগী মহুৎতা নখোয়গী লৈকাইদা অনাবা কয়া লৈরে, ঐখোয়গীদি লাইবক ফদুনা হৌজিক ফাওবদি কোভিদ পোজিটিভ ওইবা মী লৈতে হায়না হংন-ঙাংনবগা লোয়ননা নঙ টিকা থারব্রা হংবসিনা অরোইবা ৱাহং ওইরে। শম্না হায়রবদা নঙ টিকা থারব্রা হায়বা ৱাহৈ অসি খ্বাইদগী য়াম্না শীজিন্নবা ৱাহৈ অমা ওইরি। কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভকা মায়োক্লুবদা খূৎতা পায়গদবা অমত্তা ঙাইরবা খূৎলায়দি কোভিদ ভেক্সিননা ওইবনা মীপুম খূদিং টিকা থাদোকপা অদুনি। মরম অসিনা লৈঙাক্না কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লুবা খূৎলায়গী মশক ওইরবা কোভিদ ভেক্সিনেসন তৌবীদুনা মীয়ামগী পুন্সি কন্নবা হোংনবীরো। অদুবু লুরিবদি কোভিদকী অকনবা লাল মরক অসিদা শাবী-শানৌ অনীগী পুন্সি লৈপূল শেম্নবা লুহোংবগী থৌরমসু পাক-শন্না পাঙথোক্লুরি। মসিনা করম তৌসি হায়বা? মতম খরা য়ৈথোক-য়ৈশিন তশেংনমক য়াদ্রবজাৎলা।

❐ এল ইবোমচা, তাওথোং

কোভিদ পেসেন্ট অমদি জেনরেল পেসেন্টশিংগী তোঙান-তোঙান্না অখন্ননা লায়েংনবা শিনবীয়ু

হৌজিক-হৌজিকমক য়াম্না শাথীরক্লিবা অনীশুবা ৱেভকী কোভিদ-১৯না শিহনখ্রবা অমদি অনাবা মশীং কয়া অমা খোঙজেল য়াঙনা হেনগৎলক্লিবা তাঞ্জা অসিগা ইরোয়ননা ঙসিগী তাইবঙপান অসিদা কোভিদ লায়নাদি চেঞ্জদবা মশা-মশাগী অতোপ্পা লায়নানা নারকপা মীওই কয়া অমবুসু লায়েংফমদা চৎপদা কোভিদকা শম্নরক্কনি নৎত্রগা পল্লক্কনি পাখৎচদুনা অমদি কিজদুনা লায়েংদনা য়ুম-য়ুমদা ৱানা খাঙদুনা লৈনরি। মতাং অসিদা হায়জনিংবা ৱাফমদি লমদম অসিগী মপী-মপা ওইরিবা হায়র ওথোরিটিশিংনা য়ারিবমখৈদি কোভিদ লায়না নারিবা গভর্ণমেন্ট হোস্পিটাল নৎত্রগা প্রাইভেট হোস্পিটালশিংদা মশক অমদি মশীং খঙনা লায়েংহনবীয়ু অমদি কোভিদ লায়না পত্রিবা মীওইশিংগীদমক্তনা অতোপ্পা গভর্ণমেন্ট নৎত্রগা প্রাইভেট হোস্পিটালশিংদা মশক, মফম অমদি মশীং খঙনা লায়েংহন্নিংই। মরম অদুনা মণিপুর ষ্টেটকী সী এম, কেবিনেট মিনিষ্টর অমদি এম এল এশিংনা খরা কুপ্না হীরম অসিগী মতাংদা নৈনবীরগা কোভিদ পেসেন্ট অমদি জেনরেল পেসেন্টশিংবু মফম-মতম চানা লায়েংহন্নিংই। মসি নৎত্রগদি ঐখোয় পুম্বা কোভিদকী লায়নানা অশিবগী খয়াৎতা উমশিনখ্রগনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

❐ সলাম জিতেন্দ্র, খুরাই চিঙ্গাংবম লৈকাই

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

কটারনা ক্বারন্টিনগী পেরদ কোমথোকপদগী ইন্দিয়াগী টিম চয়োল অনীগী ট্রেনিং চথবা য়াগদৌরি

কোলকাটা, মে ১৫ (এজেন্সী):

কটার লৈঙাক্না ক্বারন্টিনগী ওইবা মতম খরা ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিমগীদমক্তা কোমথোরকপগী মতুংইন্না ইন্দিয়াগী টিম অসিনা ৱর্ল্ড কপ/এসিয়া কপ ক্বালিফায়িং মেটচশিংগী মাংওইননা লৈবাক অদুগী কোনুং দোহাদা ট্রেনিং চথবা য়াহনগদৌরি।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ)না ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না কটার লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ক্বারন্টিনগী মতম খরা কোমথোরকপা অদুগী ৱারোল ফংলবা মতুং ইন্দিয়াগী নুপাগী ফুটবোল টিমগী হেদ কোচ আইগোর ষ্টিমেকতা খঙহনখিবগা লোয়ননা দেল্লীদা ইন্দিয়াগী টিম অদু খোমজিন্দুনা মথৌ তাবা কোভিদ-১৯গী টেষ্টশিং অদু তৌরবা মতুং দোহাগীদমক চৎত্রিঙৈদা চেকশিন থৌরাং পূম্নমক লৌখৎকদবনি হায়না খঙহনখ্রে।

দোহাগীদমক্তা চৎকদৌরিবা ইন্দিয়াগী ফুটবোল শান্নরোয়শিং অদুনা ন্যু দেল্লীদা এসেম্বল তৌদ্রিঙৈ মাংওইননা মখোয়-মখোয়না লৈরম্বা মফমশিং অদুদগী কোভিদ-১৯গী টেষ্ট রিপোর্ট অনীদা নেগেটিভ ওইবগী তঙাইফদবা থল্লি। শান্নরোয়শিং অদুনা ন্যু দেল্লী য়ৌরক্লবা মতুং অনীশুবা রাউন্দগী ওইবা কোভিদ-১৯গী টেষ্ট অমুক পাঙথোক্তুনা মে ২০দা দোহা চৎত্রিঙৈ মাংওইননা শান্নরোয় অমদি কোচ য়াওনা সপোর্ট ষ্টাফ পূম্নমক কোভিদ-১৯গী নেগেটিভ ওইগদবনি হায়রি।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী সিনিয়র ওফিসল অমনা ফোঙদোরকখিবা মতুংইন্না কোভিদ-১৯গী স্ক্রিনিং প্রোসেস অদুদা নেগেটিভ ওইদুনা মায় পাক্লবা মীওই খক্তমক কটারদা চৎপা য়াবগী খূদোংচাবা পীগদৌরি। মসিগা মরী লৈননা কটারগী ওথোরিটিনা ইন্দিয়াগী টিম অদুনা সিটি অদু য়ৌরকপদা ভিজাশিং অদু মফম অদুমক্তদা পীগনি হায়রি। কাঙলোন শুরবা টিমগী মেম্বরশিং অদু দেল্লীদগী অখন্নবা ফ্লাইট অমদা কটারগীদমক খোঙশানগদৌরিবনি।

অনন্দ য়াওবা চেছ এগজিবিসন মেটচশিংগী কোভিদ রিলিফ ফন্দগী য়ু এস দোল্লর ৫০,০০০ খোমগৎখ্রে

চেন্নাই, মে ১৫ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী চেছকী লম্দা মমিং লৈরবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন মঙারক ওইবা ঙমখ্রবা গ্রান্দমাষ্টর বিস্বানাথন অনন্দ য়াওনা হৌজিক-হৌজিক ইন্দিয়াদা মায়োক্লরিবা কোভিদ-১৯গী চৈথেং অসিদা মতেং ওইননা ওনলাইনদা এগজিবিসন মেটচ পাঙথোক্লিবা অসিদগী য়ামদ্রবদা য়ু এস দোল্লর ৫০,০০০ (লুপা লাখ ৩৭ লোম) খোমগৎপা ঙমখ্রে।

চেকমেট কোভিদ ইনিসিএটিভ হায়না মিংথোনবা ওল ইন্দিয়া চেছ ফেদ্রেসননা পায়খৎলকপা খোঙথাং অসিদা ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা চেছ শান্নরোয়শিংনা ওনলাইনদা তোঙান-তোঙানবা মশান্না অসিবু পামজবা শান্নরোয়শিংনা এগজিবিসন মেটচ শান্নদুনা কোভিদ-১৯ রিলিফ ফন্দগীদমক্তা শেল খোমগৎপগী খোঙথাং অমা লৌখৎলকপনি হায়না ওনলাইন এগজিবিসন মেটচ অসিবু শিল্লিবা চেছ দোট কোমগী ওফিসল অমনা ফোঙদোরকখি।

চেছ দোট কোমদা ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর বিস্বানাথন অনন্দ, কোনেরু হম্পী, হরিকা দ্রোনাভালি, নিহাল সরিন অমদি প্রগনন্ধ রামেশবাবু য়াওনা পূন্না সাইমল্টেনস গেম ১০৫ শান্নখি। হায়রিবা ওনলাইন এগজিবিসন মেটচ অসিদা ফিদেগী ষ্টেন্দর্দ রেটিংদা ২০০০গী মখাদা লৈবা অমদি চেছ দোট কোম ব্লিচকী শান্নরোয় অমনা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন বিস্বানাথন অনন্দগা শান্নগে হায়রবদি য়ু এস দোল্লর ১৫০গী শেনফম দোনেট তৌরগা শান্নবা য়ারিবনি। লোয়ননা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা গ্রান্দমাষ্টর ৪গা শান্নগে হায়রগনা য়ু এস দোল্লর ২৫ রেজিষ্ট্রেসন ফী ওইনা পীরগা শান্নরিবনি।

ওনলাইন এগজিবিসন মেটচশিং অসিদা মিনট ৩০গী ওইবা গেমসশিং শান্নরি। মসিদা রেজিষ্টর তৌরকপা শান্নরোয়শিংনা সেকেন্দ ৩০গী মুভ অমগী ইনক্রিমেন্ট ফংলি। অদুগা গ্রান্দমাষ্টরশিংগী ওইনদি মিনট ১৫গী খূদোংচাবা ফংলি। মরমদি গ্রান্দমাষ্টরশিং অদুনা অমুক্তদা ওনলাইনদা শান্নরোয় কয়া অমগা মায়োক্লুবা মরম্না অহেনবা মতম পীরিবনি।

[illegible]

EMPLOYMENT NEWS

(Bricks Mistry + Jugali Needed)

☞ Samurou Bazar, Imphal West কা নক্লনা লৈবা মীওইগী ওইনা Workshop Asst. (XII Passed) 2, Car Wash + Workshop Helper 2/2, 2 Wheeler Mechanic 2, Bricks Mistry 2, Jugali 4, Car Driver 2 অথুবা মতমদা পামজে।

Sd/- : M.M. Singh
Contact No. : 8787556934

HL-B/6970/16/5-13/7(alt)

HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



PUZZLE NO. 110

Motylev, A. (2655) - Baramidze, D. (2615)
Bundesliga 2012-13 Muelheim GER (2), 2012.10.21

1.e4 e5 2.Nf3 Nc6 3.Bb5 a6 4.Ba4 Nf6
5.O-O Be7 6.Re1 b5 7.Bb3 d6 8.c3 O-O
9.h3 Nb8 10.d4 Nbd7 11.Nbd2 Bb7 12.Bc2 Re8
13.Nf1 Bf8 14.Ng3 g6 15.a4 c5 16.d5 c4
17.Bg5 h6 18.Be3 Qc7 19.Qd2 h5 20.Ng5 Bg7
21.Qe2 Nc5 22.Ra3 Nfd7 23.Rf1 Re7 24.Rfa1 Ree8
25.Nf1 Nb6 26.Nd2 Bf6 27.g4 hxg4 28.Qxg4 Kg7
29.axb5 axb5 30.Rxa8 Nxa8 31.f4 exf4 32.Bxf4 Nb6
33.Rf1 Nd3 34.Bxd3 cxd3 35.Qh4 Nxd5...

QUESTION :
White to win

Puzzle 109 Ans. :

37. ...Rdd2 **38.**Rxe6+
38. Rxf7 fxe6 **39.**Be4 g4 **40.**Kxg4
40. Kh4 gxh3 **41.**Rh7#
40. ...Rxf2 **41.**Rh7#
38. Rxe6+ fxe6 **39.**Be4

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com